চহী তরেৎ খুন্দাকপা মতমদা শেন্বীরম্বা অৱাপল্লি শেমজিল্লগনি: প্রেমজিৎ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): অসামগী কাছার কামারঙ্গাদা লৈরিবা চহী তরেৎ খুন্দাকপা মতমদা শেন্বীরম্বা অৱাপল্লিবু শেমজিন-শাজিনবা অমসুং মফম অসিদা ইনিংথৌ গম্ভিরসিংগী মীতম অমা শেমদুনা খুভম অসিবু অমদি হিষ্টোরিকেল প্লেস ওইরিবা মফম অসিবু তুংগী মীহৌরোলশিংনা খঙহৌনবা অমদি খুভম অসিবু মাঙখিদনবা শেমজিল্লগনি হায়না অৱাপল্লি খুভম নিংশিং লূপকী সেক্রেটরি থোকচোম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা টি ঐচ প্রেমজিৎনা মখা তানা হায়, কুমজা ১৮১৯-১৮২৬তা মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্দাকপা থোকখি। হায়রিবা থৌদোক অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিং অমদি লান্মী খরগা লোয়ননা কাছারদা চংলক্তুনা লৈখি। অৱা লান্মীশিংনা পাউ অসি খঙবদগী নিংথৌ মচাশিংবু হাৎনবগীদমক্তা অৱা লান্মী তেঙ্গোল অনি থারকখি। হায়রিবা লান্মীশিং অসি অমনা তোংজৈ মরিল অদুগা অমনা টমোংলোংদগী জিনম ফাওদুনা লাকখি। হায়রিবা লন্বী অসি ঙসি-ঙসিমকসু অরিবা খোঙ লন্বী ওইনা শিজিন্নরি। মতম অদুদা অৱা লান্মীশিংবু ঙাক্লবগীদমক কাছারদা চোইজাইনা লৈরিবা মৈতৈ মচাশিং পূন্সিন্দুনা শেমখিবা অহানবা মণিপুর লেভিগী লান্মী ৫০০ অসিগা লোয়ননা ইনিংথৌ গম্ভিরসিংনা নরসিংগা লোয়ননা কাছার করঙ্গাদা লৈরিবা অৱাপল্লি হায়বা মফম অসিদা লানবন্দ শেমদুনা অৱা লান্মীশিংবু ঙাইখি।

অৱা লান্মীশিংনা মফম অদু য়ৌরমদাইদা মৈতৈ লান্মীশিংনা শেম-শাদুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী মখোয় শিবা তারে হায়দুনা মফম অসি য়ৌরমদনা অমুক মণিপুরদা হনখি। পঙ্গরিবা অৱাপল্লিগী ৱারি অসি অইবা ওইনা হৌজিক ফাওবা লৈট্রি। অদুবু ইনাৎ অসিবু নুংশিজবা অহল-লাইগুরুশিংনা ফোঙদোকপীরম্বনি হায়রি।

হায়রিবা মফম অসি চহী কয়াগী মমাংদা লৈখিদ্রবা অহল ইবুংঙো অরাম্বম সমরেন্দ্র অমসুং য়াম্বুং আর কে রনেন্দ্রজিৎকা লোয়ননা কাছারদা লৈরিবা লময়ানবা কয়াগা লোয়ননা মফম অসিদা ইনিংথৌ গম্ভিরসিংগী মীতম অমা শানবা অমসুং মফম অসিবু শেমজিনবীনবা য়াম্না কন্না হোৎনবীরম্মী। লাইবক থীবদি লম অসিগী মপুগী চয়েৎনবা কয়াদগী মফম অসিবু শেমজিনবা ঙমখিদে। মতৌ অসুম্না চহী কয়া লূপ অসি তুমিন্না লৈবা তাখি। অদুবু লাইবক ফবা হায়গদ্রা চয়েৎনরিবা লম অসি মপু কয়া শিল্লবা মতুংদা মমাং চহী ২০১৮দা কামরঙ্গা লমদমদগী হৌরক্লিবা নহাশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনবদগী হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা লম মপু উসম ইবুংঙোমচানা খুভম অসি শেমজিন্নবগীদমক মফম অসি দোনেট তৌবীরকখি।

হায়রিবা মফম অসিদা লূপ্না চেঞ্জা-নোমজদুনা খুভম অসিবু শেমজিন্নবা হোৎনরি। হায়রিবা খুভম অসিবু মপুং ফানা শেমজিন-শাজিনবদা চংগদৌরিবা শেনফম কয়া অসিবু মতেং পাঙবীনবা মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংদা নোলুকপগা লোয়ননা লূপ অসিনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

HL-P/5829/31

ৱাংজিংদা অঙাংশিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নখ্রে

ৱাংজিং, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাংজিং কান্টিন কম্যুনিটি হোলদা বিবাটসু ফাউন্দেসন ৱাংজিংনা শিন্দুনা অঙাংশিংগী ওইবা লাই য়েকপা চাংদম্নবা অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জেদ ই ও, জোনেল-৩ থৌবালগী এ আই ওফ স্কুল কে ঐচ বিনোদিনি, প্রেগ্রেসিভ ইংলিস স্কুল লমদিংগী এসিস্টেন্ট টিচর নাওরেম প্রিথিবিরাজ, লোকেল এদ্যুকেস্নিষ্ট অরাম্বম বিমোলজিৎ অমসুং ৱাংজিং হোদাম্বা জুনিয়র হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেষ্ট জি শ্যামোলাতানা অথোয়বা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংগী এগজামিনেসন লোইনখিবগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু লাইয়েকপা হৈহন্নবগী পান্দমদা বিবাটসু ফাউন্দেসন ৱাংজিংনা থা অনিগী ওইবা ফ্রি ৱিন্তর পেন্টিং ক্লাস অমা চত্থরকখি। হায়রিবা ফ্রি পেন্টিং ক্লাস অদু লোয়শিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসিগী 'ৱিন্তর চিলদ্রেন আর্ট কম্পিটিসন' অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

ঙসিগী লাই য়েকপা চাংদম্নবা অদুদা তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিং অমদি ফ্রি ৱিন্টর পেন্টিং ক্লাসতা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিং পূন্না মহৈরোয় ১৫০না শরুক য়াখি। কম্পিটিসন অদুগী কেটগোরি এদা মাইবম থোয় চনু ক্লাস ফোর বেষ্ট একাদেমি খাঙবোক, অধিকারিময়ুম রুদ্রা চনু ক্লাস থ্রি ৱাংজিং হোদাম্বা জুনিয়র স্কুল অমসুং জেসিকা টখেল্লম্বম ক্লাস থ্রি প্রোগ্রেসিভ ইংলিস স্কুল লমদিংনা অহানবা, অনিসুবা অমসুং অহুমসুবা তাখি। কেটাগোরি বিদা টি ঐচ বিকাশ ক্লাস সিক্স কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুর, অবুজম দাইনা ক্লাস সেবেন প্রোগেসিভ ইংলিস স্কুল লমদিং অমসুং অরাম্বম শ্যামশুন্দর ক্লাস সেবেন কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোকনা অহানবা, অনিসুবা অমসুং অহুমসুবা তাখি। অমদি কন্সোলেসন প্রাইজ পীনবগীদমক কেটাগোরি অনিমক্তগী মহৈরোয় ১৩সু খনখি।

সেনাপটিদা লৈবা ওসিস হোটেলদা নুপা ১ শিরম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): সেনাপটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেনাপটি কৈথেলদা লৈবা ওসিস হোটেলদা নাগা রেজিমেন্টকী মীওইনি হায়বা অমা শিদুনা লৈরম্লে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা ওসিস হোটেলদা শিদুনা লৈরম্বা নাগা রেজিমেন্টগী মীওই অদুগী মমিংনা পিতর (৩৭) অপোকপা পাউখুহাউ কৌই। মহাক সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোৎবুংগী মনিংদা লৈবা বিচসাইট খুলদা লৈবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়, মহাক থা অসিগী ২৭তগী হোটেল অসিদা মহাক্কী লোয়নবী ফেলিনা অমদি পিক্লিবা মচা অমগা লোয়ননা লৈরকপনি হায়রি। লৈখিদ্রবা পিতর নাগালেন্দগী জাখমাদা নাগা রেজিমেন্টগী পোষ্টতা পোষ্টিং তাদুনা লৈবনি হায়রি। মহাক্কী হৌজিক মচানুপী ১, মচানুপা ৪ লৈহৌরি।

লৈখদ্রবা পিতর থা অসিগী ২২দা নাগালেন্দগী খৃষ্টমাস কুম্মৈগীদমক ময়ুমদা থোরকপনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু সেনাপটি পুলিসনা লৌখৎলগা ঙসি জেনিমসকী মোর্গতা পুরক্লগা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কভরেজ য়াওনা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে হায়রি।

অথিংবা থল্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা সিটিজন এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯ (সী এ এ) অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীশিং য়ামজদবা ফুরুপচাশিংবু মুথৎনবদগী অচৌবা শাফু অমা ওইরকপা অসিনা মরম ওইদুনা ইরমদম অসিদা লৈরিবা অপিকপা ফুরুপশিং অসি অচৌবা ফুরুপশিংনা য়োৎশিনখিগদ্রা হায়না মীপাইনবা লৈরিডেঁ মতম অসিদা ঐখোয় নুংঙাইথোকপা-লাংথোকপাগী মতম অদু নৎতে। মরম অদুনা সেরৌ অমদি সেরৌগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা বাই-বাই অমদি ন্যু য়রগী পিক্নিক পার্টি অমৎতা মফম অসিদা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না সেরৌ য়ুথ সেন্টরগী জেনরেল সেক্রেটরি এন চীংখৈঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রফিক পুলিসনা লুপা ১০,৬০০ খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চননা লৈবা য়াইরিপোক লমখায় অমদি ৱাংজিংনচিংবা এরিয়াদা ঙসি থৌবাল পুলিসকী ও সী অমদি থৌবালগী ট্রফিক পুলিসকা পুন্না খুৎশম্নরগা ঙসি চে-চাং শুদবা অমদি মতম চানা টেক্স থিদবা য়াওনা পুন্না গাড়ি ৯১ লোম ফাগৎখ্রে। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা ৬৮না টু হ্বিলরনি অদুগা ২৩না ফোর হ্বিলরনি হায়রি। মখোয়দগী মোটোর ভেহেকেল এক্টকী মতুং ইন্না লুপা ১০,৬০০ ফাইল ওইনা খোমগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

ꯃꯤ ꯄꯥꯝꯖꯩ / মী পামজৈ

গুৱাহাটিগী বেলটোলাদা অঙাং শেন্নবীনবা নুপী অমা পামজৈ। অকৃপ্পা মরোলগীদমক মখাগী নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

নম্বর :- **9619218059, 7002210021, 6003805851**

HL-P/5813/29,30,31

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref :- Mut. Case No. 1028/SDC/IW -L/2019

R.K. Imotombi Singh S/o (L) R. K. Basudevasana of Uripok Khwai Bramhapur Leikai. *...Petitioner*

-Vs-

(Late) Basudevasana Rajkumar S/o (L) Chaotonsana Rajkumar of Uripok Khawai Bramhapur. ...O.P.Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

The 30/12/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার বাসুদেবসনা রাজকুমার, পীং মৃ: চাওতোনসনা রাজকুমার সাং উরিপোক খ্বাইব্রহ্মপুরগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৫ - লমলোংগৈগী অনৌবা পাট্টা নং ১১৬, দাগ নং ১০৮৮, ১১৪৮, এরিয়া ২.১৭৯৯৯, ১.২৯৯৯৯ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/5825/31 **Sd/- BC to SDC, IW-Lamsang**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 1839/SDC/NBL of 2019

Elam Shyamchand Singh, S/o E. Birachand Singh of Kabowakching Mayai Leikai *-Petitioner*

-Vrs-

(L) Elam Birachand Singh, S/o (L) E. Jadop Singh of Kabowakching -O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 30/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 25- Kabowakching, Patta No. 142 (Old), 43 (New), Dag No. 1091, Area 0.41 acre of Ingkhol হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা ইংখোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- S. Dhiren Singh, Sub-Deputy Collector, Nambol

IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER- (V)

Ref :- Mutation Case No. 707/AS&SO-V, 2019

Irungbam Noyon Devi W/o (L) Irungbam Raghumani Singh of Meitei Langol. *-Petitioner*

-Vs-

(Late) Irungbam Raghumani Singh S/o (L) I. Ibungo Singh of Meitei Langol. -O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

30/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুন নং ৯১ - মৈতৈ লাঙ্গোলগী পাট্টা অরিবা নং ৪৫১ (এ), অনৌবা পাট্টা নং ৮৩৭/১০৪০, দাগ নং ১২২০/১৭৮১, এরিয়া .০৯২৬ চাউবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরীলৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

HL-P/5827/31 *Sd/-* **Asstt. Survey & Settlement Officer, Imphal**

[illegible]/Ph.D. DEGREE AWARDED

Ms. Wahengbam Elizabeth Devi, the youngest child and only daughter of Wahengbam Chaobalal Singh and Wahengbam (O) Randhoni Devi of Khoijuman Mayai Leikai, Ward no. 3, Bishnupur District has been conferred the Degree of Doctor of Philosophy (Ph.D.) in Food Engineering and Technology by TEZPUR UNIVERSITY (TU), Tezpur, Assam, for her thesis entitled 'Process Development for Fortification of a Ready-to-Eat Rice by Brown Rice Parboiling Method' on 23rd December 2019. She worked under the supervision of Associate Prof. Dr. Manuj Kumar Hazarika, Dept. of Food Engineering and Technology, TU. She has completed her B.Tech and M.Tech in Food Process Engineering, with a Gold medal award in her Master Degree. She has cleared ICAR's AIEEA-PG-2012 (21st rank) and ICAR's ASRB NET-2014. She was awarded the UGC-National Fellowship (2014-15). Her Ph.D. programme was sponsored by UGC and worked as a Junior Research Fellow (JRF) and Senior Research Fellow (SRF). She was also awarded Newton-Bhabha Fellow, by the Department of Biotechnology (DBT), India and British Council, United Kingdom (UK) under the Newton-Bhabha PhD Placement Programme 2015-2016. Under this sponsored programme, part of her PhD research was carried out at Queen's University Belfast, Northern Ireland, UK in the year 2017, under the supervision of Prof. Brian D Green. She has published 7 Journal papers in the reputed International Journals and also several abstract publications in her name. She had participated and presented her work in a number of national and international conferences/seminars including in London and Bangkok. She was awarded for 'Best Poster Presentation Award' in a National Conference organized by the Dept. of Agriculture Engineering, NERIST, A.P., 2014. She is presently working as an Assistant Professor at the Department of Food Processing and Technology, under the B.Voc, Biramangol College, Sawombung, Imphal East.

Best Wishes
Family, relatives and Friends

HL-P/5826/31

INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY (IIBIT)

Kakching Paji Leikai, Ayangbung, Near Axis Bank

GSTIN : 18AAFF01723H17K Branch Code : IIBIT06684

Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following position:-

1. **CSD :** Customer Service Officer for Female Graduate Candidate.
2. **Phone Banking Executive :** Graduate with Fluent in Hindi & English (Male/Female) both can apply.
3. **Branch Executive :** Any Graduate with age below 32 yrs.
4. **Loan Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
5. **Loan Development Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
6. **Operation Department :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
7. **Processing Executive :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
8. **Senior Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
9. **Sales Officer :** Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
10. Free 3 months Computer Course.
11. 3 Months English and Hindi Course.
12. **BRE/BRM :** 10+2 can apply with Fluent both English & Hindi.

N.B. BRE (Branch Relationship Executive) & BRM (Business Relationship Management)

Please visit to the IIBIT Office Kakching

Please Contact : IIBIT, Kakching Branch
# +91 8837318822, +91 8575836481, +91 8014066918

HL-P/5898/18-31dec 2019 & 1-16 jan 2020

ꯑꯥꯔ.ꯑꯦꯝ. ꯁ꯭ꯀꯨꯜ
R.M. SCHOOL
A State of the Art Education
Kwakeithel Heinoukhongnembi, Imphal West District, Manipur-795001

WANTED TEACHERS

Preferably young, dynamic, qualified and experienced teacher for the following subjects/posts.

1. Civics & Eco. for class VII to X.
2. Eng-II (Grammar) for class III to V and VIII to X.
3. Hindi for class III to V.
4. Science for class III to VI.
5. Meitei Mayek for class II to V.
6. Thang-Ta
7. Physics for class IX & X (with Medical/IIT foundation 5:30-7:00 am)

GUEST TEACHERS

Anytime during 7:30 am to 2:00 pm
1. English (Literature) for Class X.
2. History, Civics & Eco. for Class X.

TEACHER-IN-CHARGE

Any graduate, fluency in English
Preferable: who can stay in school.

NOTE : Candidate may apply alongwith their CV during school hours (9:30 am to 2:30 pm)

HL-P/5810/29,31



EDUCITY TUTORIALS
Enlightened through Education
EDUCITY Nagamapal Lamabam Leikai & Tera Tongbram Leikai

Foundation Course for Class IX and X
From 15th December 2019 & 5th January, 2020 (5 months course)
4:30 - 7:30 (Morning & Evening)
Math, Eng./Sc./S.Sc./M.M.

General Foundation Course for Class I to VIII
From 5th January, 2020

Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)

7th Position — *The mock tests series of EDUCITY help me a lot in preparing for the HSLC Exam. Through the tests, I got an opportunity to know my weaknesses and mistakes which is an important part of excel in the final exam. Indeed, EDUCITY is one of the best coaching centre which provides not only quantity but also quality education.*
W. Ningthem Meitei, S/o. W. Samarjit Meitei & Th. Geeta Chanu

8th Position — U. Aditya Luwang, S/o. U. Geetchandra Singh & I. Anita Devi
11th Position — Haobam Rijando, S/o. H. Nandabi & H. Phajabi
12th Position — M. Nerich, D/o. M. Nabakumar Singh & M. Sunanda Devi
19th Position — H. Aman Singh, S/o. H. Tombe & H. Baby
22nd Position — A. Pooja Sharma, D/o. A. Ibomcha Sharma & Ph. Premlata Devi
23rd Position — Md. Makbun, S/o. Hamidur Rahman & Riyaz Begum

HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019

91.4 % — R.K. Phalguni, S/o. R.K. Bidhan & R.K. (O) Bidya
90.4 % — Bandana Mutum, D/o. M. Arunkumar & M. Randhoni
85.0 % — Irungbam Thajalembi, D/o. I. Kunja & I. Kunjamani
84.6 % — Nikesh Sapam, S/o. S. Bhogen & S. Sobita
83.0 % — Nancy Keisham, D/o. K. Sanatomba & Binapani M.

Scholarship available for brilliant students (from 85% and above)

Facilities -
50% off on 1st to 5th school position holders
50% off on disable students
30% off on sports person
50% off on Govt. School students

- PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
- AVAILABLE SEPARATE BOY'S & GIRL'S HOSTEL
- LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
- COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
- SPECIAL TEST
- VAN FACILITIES

I to V - All Subjects (₹ 1,200 per month)
VI to VIII - Maths, Eng., Sc., S.Sc., Hindi/ MM (₹ 1,500 p/m)

Our Faculties are :

Maths : Sir Anil, Sir Subashchandra, Sir Wenliam, Miss Sushmita
Science : Sir Korou, Sir BK, Mad'm Pushparani
English : Sir R.K. Dimbajit, Sir Apoi, Sir Kiran, Miss Sushma
Social Science : Sir Robin Soibam, Mad'm Romita, Miss Linthoi
Manipuri : Miss M. Esther, Miss Preety
Hindi : Miss Nomita

For detail Please contact 9612 194500

Students Loan available for those students studying in our institution.

HL-B/5916/27-31dec/1-28jan

S3 [illegible]
STEP TO SURE SUCCESS COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

ADMISSION OPEN FOR

FOUNDATION COURSE FOR CLASSES VI TO VIII AND IX TO XII

Class starting from 26th Dec. 2019, 6th Jan. and 13th Jan. 2020
Class timing – (i) 5 am to 8 am (During vacations)
(ii) 2 pm to 5 pm
(iii) 4 pm to 7 pm

- **Revision Class for X and XII**
  Class Commencing from 23rd Dec. and 6th Jan. 2020
  Class timing – (i) 5 am to 8 am
  (ii) 10 am to 1 pm
  (iii) 2 pm to 5 pm
  (iv) 4 pm to 7 pm
- **Revision Class will focuss on scoring high marks based on CBSE, BOSEM and COHSEM exam. pattern. Analysis of prev. questions.**
- **Day boarding specially for exam. appearing students in 2020.**
- **Van Service and Hostel for both Boys and Girls.**
- **Sunday test series.**

For more details please contact # 9856331259

HL-P/5692/22,23,24,25,27,28,29,30,31 dec 2019 & 1,3,4,5,6,8 jan 2020

BRIGHTER ENGLISH ACADEMY, OINAM

A co-educational High School
Affiliated to Board of Secondary Education, Manipur

RUN BY MDFI INTERNATIONAL

INVITES APPLICATION FOR THE FOLLOWING POST

Post	Qualification	Experience	Salary	No of Post
Social Science	M.A + D.El.Ed / B.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4
Mathematics	M.SC + D.El.Ed / B.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4
Meitei Mayek	M.A + TET Qualified + D.El.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4
Science	M.SC + D.El.Ed / B.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4
English	M.A [ENG] + D.El.Ed /B.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4

Application form can be had from office of the Academy, &
Manipur Development Financial Investment [MDFI] Keishampat and Konung Mamang office.
Last date of issuing & submission of Recruitment Application form :- 10th Jan.2020.
Date of Personal Interview [PI] will be notified later.
Contact Nos. :- 8259003431/8731899722

Sd/-
Headmaster

HL-P/5597/27,28,29,30,31

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। দশা লাংফম কোক্লবা, মহৈ-মশিং ফগৎনবা, পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংনবা, অৱাংবা পারিক্ষাদা মায় পাক্লবা, হায়না তানবা ইন্নবা, নিষা-পাষা চাদনবা, থবক করবার ফগৎনবা, প্রমোসন-ভোট কাননবা, শেল হেন্না লাক্লনবা, শেল তোনখিবা শিংলক্লবা, পুৎথবা শেনফম হঙ্গৎনবা, লৌ-ইংখোল লেপ্পা ঙম্নবা, ফজবা য়ুম শাবা ঙম্নবা, ইংখোলদা য়েংশিনবা ঙমদনবা, খৎনবা-য়েৎনবা কেস ঙম্ননবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্ননবা, য়ুম্বাল মরা চেৎননবা, অঙাং পোক্তবা ফংনবা, হকচাংগী অরুবা অনাবা কোক্লবা, লাইগী-মীগী পোৎশেম-যাদু চঙদনবা ঙসিমক লাক্তুনা মতম লৈরিঙৈ ফনবা তান্নবিয়ু। অয়ুক পুং ৭তগী ১১ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

*Contact:-***Jyotish Maharishi Dr. Ph. Rajendra**
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/5567/12dec-13/01

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লন্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোন্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিং, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. **9612225582**
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

HL-B/5858/1/12-31/12